হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, ওক্টোবর ১৬, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ২০১শুবা মশীং

# তোম্বা নঙ লুহোংনেসে
## ইমাদি কয়া থাজদে

পীকখ্রবা মণিপুরসিবু চাওখৎলক্লিব্রা, চাওখৎ খোঙজেল মাঙলোমদা চেনশিল্লিব্রা নৎত্রগা চপ লেপ্তুনা লৈরব্রা নৎত্রগনা তুং হন্না চেন্থরক্লব্রা হায়বসি নৈনবা চঙই। ষ্টেট অমগী চাওখৎ-থৌরাংগী থবক-থৌরমশিংসিদি ষ্টেটতুগী লৈঙাক্লা পায়খৎকদবনি। মদুদা মীয়াম্নসু মতেং পাংশিল্লগা থবকশিংদু মায় পাক্কদবনি। মদুগী মহয় চাগদবনি। অদুগা চাওখৎপা-নুংঙাইবা ষ্টেট অমা ওইরক্কদবনি। মসি ওইরগদি ষ্টেটসিগী লো মেকিং বোদি অমা ওইরিবা ষ্টেট এসেমব্লিদা রিসোর্স লৈবা হ্যুমেনশিংগী মথৌ তারকই হায়নীংই। মরম অসিনা হৌজিক লৈরিবা ১১শুবা ষ্টেট এসেমব্লি অসিগী মতম লোইশিল্লকপগী হৌনবা অনৌবা মীখল পাঙথোক্লবা মথৌ তাবা থবকশিং লৌখৎলক্লি। খ্বাইদগী থেঙবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) গী মায়কৈদগী লৌখৎলকপা থৌরাংদা ইলেক্সনগী থবকশিংগা হকথেংননা মরী লৈনবা সিভিল অমসুং পুলিস ওফিসরশিং মাগী মাগী দিষ্ট্রিক্টশিংদগী ট্রান্সফর তৌদুনা পোষ্টিং পীনবা অকনবা ইন্সট্রক্সন পীরকখ্রে। ঈ সী আইগী ইন্সট্রক্সন অসি ওক্টোবর ১৩, ২০২১দা পীরকখিবনি। ইন্সট্রক্সন অসিনা অরোইবা ওইরোই। পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা ষ্টেট এসেমব্লি মীখলদা তঙাইফদনা চঙবা থবক থৌরমশিং অমত্তা চিথদনা পায়খৎলকখিনি। ইলেক্সন অসি নীংথিজনা, ফ্রী এন্দ ফ্যের ওইনা পাঙথোক্ল বগীদমক হোৎনফম থোকপদগী ঈ সী আই অমসুং চীফ ইলেক্টোরল ওফিসর (সী ঈ ও), মণিপুরনা পাঙথোরক্কদবা ঙাক্তনি। অদুবু পাঙথোক্লগদবা অনৌবা মীখলসিদা মীরেপ ওইগনি চোঙথোরক্লিবা, মশানা অমসুং মাগী তুংইনবশিংনা সোসল ৱার্করনি হায়জবশিংগী মনুংদা টেলিফোনদা অকনবা ৱাহৈ ৱাতাশিং ঙাঙন-শক্লরুবগীদমক লৈকায়, ক্লব য়ৌনরকপদগী হেন্দোরক্তুনা পুলিস ষ্টেসননচিংবা য়ৌনরক্তুনা ৱাফংনবগী থৌদোকশিংদা চেন্নরক্লিবা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেটশিং অসিনা লো মেকিং বোদিসিগী মেম্বরগা ওইরক্লবা, মীয়ামগী মীহুৎ ওইবগী ৱাংলবা চৌক্রিদগা ফমখ্রগনা কমদৌবা? মখোয়দগী অফবা, মতমগা চানবা, লৈবাক মীয়ামগী কান্নগদবা হ্যুমেন রিসোর্সশিং এক্সপেক্ট তৌনীংঙাই লৈগদ্রা?

অদুগা হায়রিবা থৌদোকসিদা শুংচেন-চেন্নদনা মাগী পার্টিগা য়ানদবা, মঙোন্দা শৌগৎতবা, মহাক্কা লম্বা তৌনগদৌরিবা কেন্দিদেটকী মী ওইবা খরগী ময়ূম মনাক্তা নূঙ থোমজিন্নবগীদমক থৌওইনা নূঙ গাড়ী মপোৎ-মপোৎ হৈজিন্দুনা থম্নরকপা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেটসু য়াওরক্লি। ভোট থাদবা য়ারবা নৎত্রগা য়াদবা থিদনা নহারোল ময়াম খোমজিল্লগা ফূন-চৈনবগী থৌদোকশিং থোকহন্নবা মরমশিং হুমা হুমা থিবা মীরেপসু য়াওরক্লি। মখোয়গুম্বা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেটশিং অসি মাগী মাগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিশিংগী ইলেক্টরশিংনা ইলেক্টেদ এম এল এশিং ওইহনবীরক্কদ্রা? মশ্বাইদদি 'তোম্বা নঙ লুহোংগনেসে ইমাদি কয়া থাজদে' হায়বা ৱাফমদু থোরকই। ওইরক্লিবা ফীভম অসিবু মী য়াম্বগী হৌনবা অমাংবা য়াম্মী, মীয়াম তিল্লগা অমা য়াওই হায়বদুগী থৌদৌদু থোরক্লিব্রা? তশেংনা হায়রিবা মরমশিং অসি ওইরম্বা তারবদি অকক্লবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অদু খক্তগী মীয়ামদা নত্তনা মণিপুর পূম্বগী মীয়ামগী মাঙজবা ওইরক্কনি। 'করিনুংগীনো' হায়দুনা ইলেক্সন রিজল্ট লাউথোক্লবা মতুংদা থবাক খুত্তুম শুদুনা, খূৎশা তরা প্রোক প্রোক থেক্তুনা তকশি শোন্নরক্কনি। মরম অসিনা মীয়াম্না মরু ওইনা ভোটরশিংনা অমাংবনি খঙনা খঙনা, উনা উনা চোংশিন দুনা নেৎলুবগী থবক্তুদি তৌররোইদবনি। হৌজিক মতম লোইশিল্লক্লবা ১১শুবা ষ্টেট এসেমব্লি অসিদা থোকখিবা, মিৎনা শং-শং উখ্রবা দেমোক্রেসিবু মথক-মখা থোক ওন্থোক্তুনা হামুক তৈশিনবগী থৌদোকশিংদু কাউথোক্তবা ফৈ। শেল অমসুং মশাগী ওইজবা খরদগী ইলেক্টেদ মেম্বর ওইহনবীরকখিবা পার্টিদু থাদোক্লগা অতোপ্পা পার্টিদা চোংশিল্লুবদগী দিসক্বালিফাই তৌরক্লবা মতুংদনা 'পোলিটিকেল এক্সিদেন্ট' নি কা হায়বা ৱাফম ফোঙদোরক্তুনা পেন্থোকচদুনা অপাকপা মমায়শিংদু কোইপু পুরগা অমুক ভোট খোম্নরকপসু য়াওরক্লিবসিনি। মখোয়গীদি হৈনরকপা শিনফমনি। মীয়াম মমাঙদা চৎনদবা থবক অমা তৌথোরকপদা করিমত্তা নাচুংদবা মীওইশিংনি। অউবশিংনা ওইনা ইকাইজৌ হায়বদুগী ফীভমনি। ইকায়বা খঙদবা অমসুং মী ফত্তবগী হীদাক লৈতে হায়বদুনি। মরম অসিনা লুহোংগনি খিংলবসু থাজদ্রিবা মীওইশিংসিগী মখূৎতগী পীক্লবা ষ্টেট অসি কলহৌসি। ভোটরশিংনা শেল অমসুং মসল পৱারনা হুমদুনা হাক্কচবদা খূৎ থাজিন্দনবা হোৎনহৌরগবনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৮

১) *''জাতি কৌবী শকহেনবী/লৈরাংলক্তগী অথোইবী/পাম্মুবৈ চেংলৌ উবরা/নুজা ঐঙোন্দা তম্মুবা''* হায়বা মীয়াম্না য়াম্না পাম্না তানরিবা অরিবা ঈশৈ অসিগী শৈরেংবা কনানো অমসুং করি দ্রামাদা শকখিবা ঈশৈনো?

২) রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরনা ইরম্বশিংদগী খনগৎলগা মণিপুরীদা হন্দোক্লগা পুথোরকপা **''রবীন্দ্র লৈচেল''** হায়বা লাইরিক অসিগী অফোঙবগী মমিং হায়যু।

৩) ***''ইফেল টৱার মখোঙদা কংলৈ থোকপা''*** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) ***''লম অসিদা লৈবা মরু মরু ওইবা চীংশিং অসিগী মরমদা তোপ্পা তোপ্পা ইরম্বা লাইরিক কয়া থেংনজৈ।''*** অসিগুম্বা লাইরিকশিং অসিদগী খরমখৈ পুনশিল্লগা পুথোরকপা লাইরিক অদু করি লাইরিকনো?

৫) ***''লৈপাক্কী মুর্তি''*** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৭কী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (১,৩,৪)
২) মোইরাংথেম গঙ্গুলি, ককচীং তুরেল ৱাংমা নিংথৌ পরেং - (১,৩,৪)
***৩) থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনীং লৈকায়, থৌবাল - (১,৩,৪,৫)***
৪) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, রাইজিং সন দ্রেসেস থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (১,২,৩,৪)
৫) দোনেশ্বরি থিয়াম, চীংমৈরোং য়েংখোইবা মেজোর মমাঙ লৈকায় - (১,২,৩,৪)
৬) সীনেদা থিয়াম, চীংমৈরোং মমাঙ লৈকায় - (১,২,৩,৪)
৭) লাইরেনলাকপম রিশিকান্ত অঙোমচা, থম্বালখোং লিশম লৈরক - (১,২,৩,৪)
৮) ইবোচৌবা কোন্থৌজম, শগোলবন্দ তেরা খুরাইজম লৈরক - (১,৪)
৯) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,৩,৪)
১০) রাজকুমার গেরীন, পুরানা রাজবারি নোংমৈবুং - (১,৩,৪)
১১) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,৩,৪)
১২) থোঙ্গাম রোমেন মৈতৈ, কৈরক তোমাল মখোঙ - (১,৩,৪)
১৩) ঙাসেপম দিঙ্কু, য়ুরেম্বম মনীং লৈকায় - (১,৩,৪)
১৪) অয়েকপম ভিমো, তাকয়েল খোংবাল মনিং লৈকায় - (১,৩,৪)
১৫) এ পুশপা, তকেয়ল খোংবাল (১, ৩, ৪)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ২৭কী ৱিন্নর*

***থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনীং লৈকায়, থৌবাল (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)***

**লিটরেরি ক্যুইজ ২৭কী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঙ্গরগনি।**

# চোংগাং ওল্লক পুন্সি তাঙ্কক

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**

খোঙগ্রাও জিন শেৎপী মৌ নহা অদুনা ময়ামদা শক শক লাউনা লাউথোরকই, ''নখোয় ময়াম মরক্তা কনা কনা মোবাইল ফোন ওন তৌবা য়াওনরিগে, য়াওনরদি অমুক্তা স্বিটচ ওফ তৌ।'' মানা ৱা ঙাঙলগা তাগদৌরিবা ট্রেনিং লাকপা ময়ামদু মাবু পোকপা পী মপাগুম্বা মমাগুম্বা ঙাক্তনি। ওদিটোরিয়মদা চোন্না হুমাই হুন্নগা ফল্লিবা বী ময়ামদু সর্ভিসকী মতম লোইনরক্লদুনা রিটায়র তৌরমদাইগী থরাক থরাক য়ান্দুনা লৈরবা মশা শোল্লবা, মমিৎ মনা শোক্লবা বী কয়া অমসু য়াওরি। মৌ নহা মেদাম শক ফজবী অদুনা ব্লু মচুগী জিন অমা তপ নপ্পা শেৎচিন, চুনি অমা ঙক্তা য়ান্থ, থবক ফবী শা, মা মঙায়রে খন, মথক্কী অহল ময়াম অদুনা মেদাম মেদাম হায়দুনা মঙোন্দা মে মে খোঙবদুদা মাদি মঙক মরুদু হাইগৎলিবোইরে। ওফিসকী থবক তৌরিবা বী অহল ময়াম অদুনসু মরোল অমনে মচা মমৌগুম্বী জিন শেৎপী অদুদা ইবেম্মা হায়দনা হায়গেদি মহায়দ্রদনা মেদাম মেদাম হায়দনা চনপ্পা পী শাদুনা লৈরে। কনানা উশিৎপীনি। মখাগী অঙাংনাউ অদুনা মখোয়দা নঙ মা নঙ মাকা হায়দুনা মাইক্রোফোন অমা পায়শিল্লগা ঙাঙবদু মনেম মানবী মখোয় ময়ামদু অদুম য়াই, হরাউবু হরাউব্রা করিনো মেদামদুনা থকসি খাসি য়াওদনা মখোয়দা মমায়দা ঙাঙলিবদু খজিক্তসু মমায় অদু মকশিনবা উদে। অদুম্বা বী ময়াম মরক অদুদা ঐসু ফম্বদা খোয়দৌ শাউগৎপনা লোইরে ননাই য়াক্তি। ইমাই, শৌ শৌ খূৎলাউ অদুদি মানা মাগী ময়ূমগী মচাদা মৱাদা থীনা থীনা ঙাঙ চৈবসিঙায়! মনেম মকুদা থীনা থীনা ঙাঙবা অসিঙায়! পরিক্ষা অচৌবা অৱাংবা থারগা খল্লকপা লাইরিক লাইশু য়াম্না হৈরবী ওফিসরনি হায়। লাইরিক হৈবদুনরা খঙদে থকসি খাসিদি হাইফেৎ পৌজৈ হায়বা তাই। ইচা ইশুগা লাইরিক লাইশু হৈহনজনীংদ্রে মখোয়গী মতৌসিদি। ঐনসু মেদাম শাউবীমাদু চহী তরা অমা করি অমদি অদুম ইরায় লায়না মহল্লমগনি খঙই। মাগা ঐগা লাইবক্তা থুংনৌ হায়না তল্লল্লবদি হায়বদি মেদাম হায়রিবী অসিগা মা ঐ লাইবক-শা তিন্নদুনা লৌন লৈনরবদি মানা ঐঙোন্দা, ''হো মখোয়' তামো চাক লোইরে চাক চাথোকপীররো'' হায়না ব্যবহার লৈনা কৌরক্লম্বা য়াবগী ওইথোকপা চাউনা লৈফাওবা নৎফাৎপোত্তে। সুম্মাইনা খন্দোক্লগা ঐ পেন্থোকচরদুনা মানা হায়গুম্না ফোন স্বিটচ ওফ শোয়দনা তৌশিনজরে। ইমালোলগী স্কুলদা তল্লক্তবনরা নৎত্রে হায়রেরগা মীরমদা মপান্দা সুম লাইরিক লাইশু তল্লকপগীরা নোল্লুকপা হায়বদুদি মাগী ৱাঙাঙদুদা পাই অমা পক্ত্রে। ময়ূমদা হাইনা হুম্না পাল্লিবী নুপীজা পূম্ববু চেন্থরিবী নুপী অমা হেক মাল্লদনা।



মানা ৱা ঙাঙবা ৱাবু দন্দিগুম্না তাজরিবা মথক্কী অহল লমনশিং অদুদা মানা নঙ মা নঙ মা হায়বা ৱাহৈ অসি য়াম্না পোৎথোক চাথোক লৈনা শীজিন্নবা লেপ্তে। ঐদি ৱাঙাঙ শাঙাঙ অদুনা খোয়দৌদা তা হঞ্জিন হঞ্জিন থিল্লে। ফুক ফুক খা চিক্তুনা হৌগৎলে, তৌবতবু সস্পেন্দ তৌবিগদ্রা হায়দুনা ৱারৌরবা ঐগী পূক্নিংবু ফাথদুনা ট্রেনিংদু লোইফাওবুদি য়াওজরে। সিংহারাগা চা আশাবগা য়েল্লক্লে। নুমিৎতু সিংহারা অশাবা অমদি চা অশাবগী মহাউ ফাওদে মনম ফাওদে, মসি কোভিদ নাবগী মহাউ মনম ফাওদবা নত্তে খোয়দৌ শাউগৎপগীনি। হৌজিক মতমগী নহারোলশিং অসি থকসি খাসিকাইদু মখোয়দা য়াওজবা ঙমজদ্রে। করম্বা লাইনা শারকপা মওইরিগবা!

সিংহারা অদু অনীরক্তং চিক্লবা মতুংদা ঐগী নুংশিজরবা মোবাইল ফোন অদু থাগৎনবা লাক্লজরুবদদি উতুপ তাবদৌনা তূমিন লৈখ্রে। শেম্ফম অমদা অমুক হং অমদা অমুক য়েংহন ফনা য়াননবা কন্না লাক্লে য়াবা কৌবা মরৈত্রে। স্বিটচ ওফ তৌখিবদগী মাদি ঐবু অরোইবা বিদাই পীবিরম্লে।

কোরৌ নোংজা নুমিৎ মরি মঙানিরোম ইম্ফাল মনুংগী হৈর হৈরবা মোবাইল শেম্ফম অহুম মরিদা চৎ চৎতুনা য়েংহনবদা য়াররোই হায়বগী ফোন শেম্লোইনা মঙক অদুম হাইরে, শেম্বা থোক্ত্রে। শেম্বা য়াদ্রবনিনা ঐ মমৈথংদদি মোবাইল ফোন য়োনফম খরদা চৎচ চৎচদুনা অপাম্বা হেন্দসেট অমত্তা লৈজগে হায়না কোয়থি থিবা হৌরক্লে। মোবাইল য়োনফমগী থোঙজিলদা লেপ্পুবদা মোবাইল য়োনবা নহা অমনা হায়রকই, ''চো চো চো মী চিল্লি শ্বাইদা লেপকনু নঙ। ''শাউনীংদুনা ঐ দুকান অদুদগী থোরক্লগা অতোপ্পা দুকান অমদা অমুক চঙই। অকোনবগী দুকান নহা অদুনা খয়ানরকই, ''নঙনা হংলিবা ফোন অদু ঐখোয় মণিপুরদা য়োন্দে, মী খরা কোম্বা অমদা চৎলগা হায়ফেৎ চিৎথহৌবা লৈব্রা হংলুচো।'' মখা তারমদ্রে, তাশিন্নদবা শারগা দুকান অমদা অমুক চঙদুনা ঐনা হংই, ''করিনো হা? করি লৈগে হায়বনো বাবু হুমাংনগা শৌবগা চৎলো চৎলো?'' ইশাউ শাউবা হেক মাল্লদনা ফোন য়োনবা দুকান অদুমসু হান্নগীশিংদুগা অমহা অমহানি। করি হায়রিবনো মখোয়না তৌরিবসি ভাব তাদে ঐ। কনাগুম্বী লৈশাবী নৎত্রগা মৌ নহা মশক মতৌ চঙখোনবী তগৎ তগৎ তেক্লিবী মওইরবদি হরাউ হরাউ কৌনিসে মখোয়দদি। ঐঙোন্দনা করিনো খঙদে হনুবগীরা অহানবা উবমক্তদা হেক্তা য়েক্লবসিমঙায় তিমেন তা পায়খৎলি!

হমম!! ওই তাই, ওই তাই অহল ওইরকপা মন্থরকপা অসিনা ওইবা তাই। অহল ওইরকপা হায়বসি ইচা ইশুনফাও নুংশিবীদ্রবা য়েংননীংদ্রবা মতমনি। মোবাইল ফোন য়োনফম ওইবা য়াই, ঙারি য়োনফম ওইবা য়াই অহল ঐখোয়বু য়াম্না ফরক তানা মরিং মরাং ওইনা উরকপজাৎনি। তাইবঙপাল অসিনা অথীবা অমনবা অশোয়বা অশোনবা ময়াম অসি য়েংনীংলমদবা তাই। অশোনবা অথীবা অমনবা অসি জেফ বেজোস, এলোন মস্ক, বিল গেতস, মার্ক জুকরবর্গকুম্বনা অহল ওইরবদি মীয়াম্না মমায় কোপ্পু কোপ্লসু ময়া য়াওবু য়াওদ্রসু অদুম নুংশিবীদৌবা। অদুসু নত্তবনিনা ঐনা অহল ওইরবদি মফম মফম খুদিংদা অপাৎপা হুই চঙলকপসি মঙায় হায়বা ৱারোইশিন অসি ইশাদা লাকচৈ।

কাইকুগুম্বা, গোকুলগুম্বা, অরাবা, শিলহৈবা, খাবা, অমর, জেমস, সোমা, বালা, বিজু, মেক্সিনা, ইথোই, রেশমিখোয়গুম্বী ঙাক্তা য়েংনীংমানে তাইবঙপাল অসিনা। অহল ওইরদি মরেক মহাউ য়াওদ্রে কান্নদ্রে চোংগাং তারে। ৱারী ৱাতায় শাবীনীংদ্রে। মানা হায়বা ৱা লৌবীনীংদ্রে। অহলশিংবু মীরায়বদি শুক্তৌ তৌহনজনীংদে লৈবাক্লসু মচা মশুশিংনসু দুকান্দারনসু। ঐদি মসিগীদমকসু এসোসিয়েসন অমদুম শেমহনজনীংই। অহল হায়বসি নোংমা নৎত্রগা নোংমদি ওইরক্কদবা লৈরবা য়াম্না নাতৈ চাদবা ফীভম অমনি। মমীৎ মনা ফরক্তবা, মনা তাথিরকপা, ময়া য়ারক্তবা, মপাঙ্গল য়াওরক্তবা, শেল পায়রক্তবা! ঐদি অহলদা থীনা তৌদৌ শরুক শেঞ্জা থুমজা তৌবা মীদা ওইনা থীনা থীনা তৌবীয়ু হায়সিদা লৈরে। খুরুমজরি। ●

# মণিপুর কনগদৌরিব্রা - ৪

**নবকুমার ওইনা**

ইরাবতনা লাইরিক য়াম্না তল্লল্লবা করি ওইরমগনি। খুন্নাই অসিদি চহী চাম্মরোদমক ঙাইরি লাইরিক নিংথিনা তল্লকপা। অদুসু মশাগী তম্বা নত্তে, মীগী ৱারী তম্বনি, মনাই ওইবা য়ানবা তম্বীবনি হায়নরি। ঙসিদি ইশাগীনি খল্লগা তম্বা হৌরবনি, করি খল্লিবগে? ইশাগী ওইবা পুৱারী খঙলব্রা, করি ওইনা খঙলবা, ইশাগী ইরৈবাক মশক খঙলব্রা? স্কুল, কোলেজদা চুম্না তাক্ত্রগা য়ূমদনা করি লৌশিং ওইনা য়ৌরবা? লাই-লিক তম্বা হায়রগা লাই নীংবসু য়াওদবা, খুরুম্বতনি। লাই নীংলিঙৈ লৈঙাক চেৎনবদি তমহৌদ্রবা হায়বদুনি, খুভম মুন্নবদা মুৎখ্রবনি। মতম্না পুরকখ্রবনি খল্লেদনা।

লাই ৱায়রুবদগী কাঙলূপ মচা-মচাগী ৱাখল পোক্লকখ্রে, লাইয়াম পুশিল্লকপদগী ৱাখল পুনবা ঙমখিদ্রে, লৈপুং ফম্বদসু তোঙান চানখ্রে। লাইনীং তোঙান্নরমদ্রবদি (নিংথৌনা য়াদে হায়বদুদা) পুনবা য়াবা অমদা পুল্লল্লবা ঐখোয় করি ওইরমগনি। লাইনীং হায়বসিনা ৱাখল লৌশিং পীনবা তৌবদগীদি লৈবাক থুগায়বা, মী হাৎনহনবনা হেল্লি খঙলকপদগী মপান থোক্না লাইগীনি হায়বা থৌরম তৌবা থিংবা হৌনখ্রবনি। লাইনা ৱায় চায়রিবা লমদম অমনা ৱাখল্লোন্দু লাম্বা ফংদবা তাবনি। লৌশিংগী ৱাসি লাইরিক পাবগী ৱানি, লাই নীংবগী ওইদ্রে খঙলবনি। লাইনীং খুদিংমক্কী লাইরিক পাদ্রবা মীদু মতমসিগী মী ওইরক্ত্রবনি। লৈঙাক্কী শেন্মীৎলোনগী, ৱাংউলোনগী, সাইন্সকী লাইরিক্না কনানা পারিবা। মীরৈবাক্তা থবক তৌরি হায়বসি ঐখোয় ইশাগী ওইদ্রিবনি।

মসি হায়রিবগী মরমদি ৱাখলদা, লৌশিংদা, থবক্তা পুনবা ঙমদ্রি হায়বনি। নাকল অমদনা থবক তৌফম লৈতে হায়রিবনি। লৈঙাক্লোয় খরনা মতোমতা চাওজবগী ৱানি, মখোয়না করিসু তৌবা ঙমদ্রি হায়বনি। থবক শুফম পীরবসু মীয়াম্না থবক শুনীংবগী লৌশিং য়াওদ্রি, চৎন কাঙলোন চুম্না থম্বা ঙমদ্রি, হুরানবা মকোক কনানো খঙনদ্রিবা হায়বদুনি। হুরানবনা হুরানবা ফাবা ঙমদ্রি, পাউসিদি মখোয় মশেল উন্নবগী ৱারীনি। হিদু হোরগনা লুপ্পা, লোদা হোরগনা লৈবাক মুৎপা মশানা তাবনি। দ্রগ লল্লোনবদা লমদমসিগী মীওই মীরৈবাক্তা হাৎখিবা য়াওরে, মীরৈবাক্কী মী লৈবাকসিদা হাৎপা ঙম্বগী লো শেমদ্রি। ঐখোয় ইশানা দ্রগ লল্লোল্লি, হাৎনীংদে, দ্রগ শৌগৎলি। অফবা লৈঙাক অমা খূৎলিংবা ঙমখিরোই, ফরে-ফরে হায়জবগী ৱাতনি।

ফীভম অসিদা কাঙলূপ খরনা লমদমসি কন্দৌরিবনি হায়বা ৱাসি ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্ন দবদগী নোক্লিংবা পোক্লবসু য়াওরবনি। করি তৌগদৌবনো ময়েক শেংনা খঙনবা হোৎনবা অমা তঙাইফদনা চঙগনি খল্লি। পুনবা য়াদবশিং লৈবাক্কী থবক তৌবনি হায়বা য়ারোই। অকল-অরিং শীংবশিংনা মরৈবাক নুংশিবা খঙবা হৌনদে, শেলগী ওইরমগনি। লৈবাক নুংশিবগা শেলগদি মরী লৈনদে, থবক তৌরবদি শেল লাক্কনি। মরম চাদ্রবদি খৎনরক্কনি, পঙলসু ৱা-ৱা লাওরক্কনি। মীওই খরদি করি তৌগদৌবনো খঙলম্বা য়াই, মী ময়াম খঙমিন্নদ্রবদি পুনবসু য়ারোই। মীয়ামদি খঙনবা হোৎনদবসু ময়াম লৈ, ৱাখল্লোন মান্নদবসু ময়াম লৈরি, য়েক্লবসু ময়াম লৈরি। করি তৌগনি হায়বগী ৱারেপ লৌজবা তারকই, মীনা তৌ হায়বদু তৌবনা য়ারোই।

ইশাগী ৱাখলনা থবক তৌবা তারকই, ইশাগী ৱাখল খঞ্জনবা ইশাগী পুৱারী খঙবা তারকই। শেমজিন শাজিনবনা য়ানরক্লোই, কিবা নৎত্রগা লোৎপনসু ওইবা য়ারোই। অশেংবা, অনীংবা, ফোংনা ঙাঙথোক্লবা তারকই। ঙুরুং-ঙুরুং খঙদবা শারগা নাকোয় চৎনদুনা লৈফম থোক্তে। চীংগী ফুরুপশিংগী অনীংবা ফোঙদোক্লবা লোয়রবনি হায়বা য়ারে। ওল্লগা লৈরিবদি তমদনি, লাইনা ৱায় চাইরে, য়ূম্নাক শাগৈ শাগৎপা শেমগৎপদি ঙমজদবা থাক অমদা লৈরি হায়গনি। অনেম্বা থাক্তা মীনম্নবা য়াওরম্লি, হৌজিকসু লান্না পুনবা হোৎনরি। ৱারেপ লৌনবা হোৎনবদা য়েৎনরি, অপঙবা ফুদোকপগী ইকায়বা ফাওনদবদুম মাল্লক্লি। লুরিবসি ৱাখল্লোনশিং শেংদোক্লবা অসিনা ওইরি। ৱারেপ লৌবা ঙমদনা কনানা থবক তৌরে হায়গদৌরিবা? ৱাখল লৌশিং মান্নদবদগী ইমুং মনুংদা হাৎনবা, খুল-লৈকায়দা হাৎনবা, কাঙলূপকী হাৎন-শুনবা কয়া থোকখ্রে, থোক্লি। হাৎপদি লায়না লৌনরে, লুরিবসি ৱাখল লৌশিং হোংহনবসিনি। থৌওইনা তৌদবগীরা লাইখায় তাবা ঙম্নদ্রি। অপূনবগী অপাম্বা লৈতনা, কাঙলূপকী ৱাখলদা লৈবশিংনা, মীয়ামদা মীনম্বা ঙম্বশিংনা অপূনবগী থবক তৌরে হায়বা য়ানরক্লোইদৌরি। থাক অসিদা অসুম য়েৎনদুনা, হাৎনদুনা লৈখিগদ্রা। ৱাখল লৌশিংগী অহোংবা লাকপা ঙমদ্রবদি অহিংবা ফুরুপনি হায়বা য়ানরক্তবা তাবনি। অঙম অরায় খঙদ্রগা হিংলগনি হায়বদি লৈতে, খূৎনা শুবা থবক্লা হিংবা ঙল্লগনি হায়বা লৈতে। কোক্লা থবক শুরবা মতমদা হিংবদি ঙমগনি, কম্পিটিসন য়াওবা ঙম্নবা হোৎনবা অমসু চংলিবনি। মদু উবা ঙমদনা হিংলবদৌনা চাউনা ঙাংবশিং মীয়ামগী য়েক্লবা ওইবা য়ারিবনি। থবকসু শুনীংদে, কোকসু ৱানীংদে, কনা য়েংলগা হিংগনি।

লৈঙাক য়াওরিবশিংনা পুৱারী ময়েক শেংনা খঙদবগী ৱাঙাঙ হেক-হেক ঙাঙলক্লি। খঙদবনি হায়না লৌবা তারকই, মতেক-মতেক চিনফা পুরগা ঙাঙবনদি য়ারক্লোই। ৱা থোক্ত্রবা নমথদুনা থম্বা পাম্বগী ওইবসু য়ারিবনি। অপঙবা লমদা শান্তি থম্বা য়াদে হায়বসু চুম্না য়ারিবনি। লৈবাক নীংবগী ঈশৈ য়াম্না শক্লরগা লৈবাক্তু হিংলনি হায়বদি লৈতে। ঈশৈনা লৌ খাওরগা ফৌ লোকপা হৌনদে।

লমদম অসিদা কাঙলূপ খরদি লাইনীং লৌরবনি নৎত্রগা লাই নীংবা হৈরবনি হায়বগী কান্নবা লৈত্রি। ওনশিন-ওনশিন খৎনরি, হাৎনরি, ৱা ঙাঙনবা য়াদবা থাক্তা লৈরি হায়বসি মালেমগী মীয়াম মমাঙদা ফোঙদোকপগীসু হঙ্গোয়বা ফাওনদ্রি। লাইনীং খরনা লান তাশিল্লকপা মাল্লক্লি, খরনা লাই নীংবদগী লাই ওল্লকপা মানবসু য়াওরক্লি। লাইনীং শন্দোকপা পাম্বশিংনা লাইনা থৌদা পীরক্লবনি হায়জিনবসু য়াওরক্লি। রেদিও, টি ভি ফাওবা শেল পীরগা লাইনীং শন্দোকপদা শীজিন্নরক্লি। লাইনীংদা য়াওশিল্লগা মমিং চৎনবা তৌবসু য়াওশিল্লক্লি। থবক শুদনা চাবা য়ানবা হোৎনবা য়াওরব্রা? মী নমথনবা হোৎনবদা লাই শীজিন্নবা য়াওরক্লি। নিংথৌ শাবসু য়াওনরক্লিবনি। ইপা-ইপুবু লাই ওইনা নীংজবা ওইরবদি মীগী লাইনীং লৌবশিংদি মপা-মপু য়োল্লগা নুংঙাইজবা মাল্লকপদুনি। লাই ওন্থোক্লুবদগী লৈবাক মুৎপা য়াওরক্লে, লাইনা লাল্লিব্রা, মীনা লাল্লিব্রা? লাইনীং অমত্তনা মীওইবগী মোরেল শেন্নবা ঙল্লক্তরে। লাইনীং হোংবসু লায়না লৌনরে, লাইনীংদু মুন্না খঙদ্রিঙৈদা শেন্দোংগী খল্লগা মশা-মশাসি হান্না সরেন্দর তৌবা মাল্লকপসু য়াওনরি। লাইনীংবুসু অনেম্বা লাইনীং, অৱাংবা লাই অমগী লাইনীং হায়না খায়দোকপা মাল্লক্লে। মসিমক্তি লাইগা মরী লৈনদবা ৱাখল্লোন য়াওশিল্লকপনি খল্লি। নাপল কাববু লাই নীংবনি হায়গে হায়বরা? লমদমসিদি লাইনা পুনবা য়াহন্দবনি, পুনগে হায়রবদি লাইগী ৱা য়াওনদনা ঙাঙনবা তারকপদুনি। লাইনা করিসু হায়বা নত্তবদা তুং ইল্লিবশিংনা লাই শারকপনি। মসিমক্লনি লম খরদদি লাইগীগী ৱাসি হোমৱার্ক ওইনখ্রবনি, লমদম অসিদনা লৈঙাক্লোয়শিংসু লাইদা ঙাওরি, লাইগী থবক্তা মতম য়াম্না মাঙহল্লি, মীয়াম্বু লান্না পুরি। লৈঙাক্লোয়দি লাইগী থৌরম য়াওরোইদবনি, লাইদা মীচং মীখায় নাইরোইদবনি। লাইদা হেন্না থৱায় য়াওশিনবা নৎত্রগা লাইবু কিরবদি কৈদৌঙৈদা লাইদু ফংবা ঙল্লোই। লাইগী ৱাসি লাইখায় তাবা ঙমদ্রবদি লমদমসিদা অপূনবা পুরকপা য়ারোইদৌরি, লাইগী মমিংদা লাল কল্লি। লাইগী কবি ময়াম য়াওশিল্লক্লি, লাইগী ৱাসি অফবা য়াম্না য়াওরবসু কনানসু লৌনদবা মাল্লক্লি। মদুমক্না অপূনবা অমা শাগৎপদসু অপনবা পীরক্লি। লাইগী খল্লিঙৈদা নশাগী লৈফম কাউনরবা মাল্লক্লি। কোক শোয়রক্লবদি লৈবাক শোয়রকপা মশানা তারকই। মীওই খরদি লৈবাক্কী খন্দে, লাইগী চুহি চফুদা ইরুপ্লগা লৈরি, মীয়াম্না করি হায়রি খঙবা নত্তে।

লাই থাজবা-থাজদবগা মরী লৈনবা নৎচদে। লমদমসিগী মীয়াম মরক্তা উরিবা লাইগী লোনচৎ ময়ামসিনা খুন্নাইসিবু লান্না পুরবগুম উরকপসি মমায় থৈদোক্তবা য়ারক্তবগী থাক য়ৌরক্লে হায়জবতনি। ইরাবত পোক্লমদ্রবদি করম্বা লাইগী মিংদা লৈবাক্কী অপূনবা শক্তম শাগৎলমগদগে? লাই অমত্তগী মিংদা অপূনবগী শক্তম শাগৎপা য়াররোই, অদুবু মশাগী শক্তম ময়েক শেংনা উনবা মশাগী লাইনীং ময়েক শেংহনবা তঙাইফদবা অমনি। মশাগী য়ূম্নাক, য়েক সলাই, ফুরুপ মমিং হায়বসি আইদেন্টিটি ওইবতনি, এদ্রেস পীনবতনি, নাপল কানফম নত্তে। অফবা তৌরগা চাওথোকচবা, ফত্তবা ওইরগনা মায় খুবা নংজবতনি। লৈবাক্কীদমক শিবগা ফুরুপকীদমক শিবগা খেন্নবা লাক্কনি। ফুরুপ খুদিংগী লৈবাক শেম্বা ওইথোকপা ৱাগদৌবা অমনি। ফুরুপ ময়ামসি পূনবা হৈবা তারক্লি, পুনবা হৈত্রবা ফুরুপশিং হিংবা ৱারগনি, নমথনরবসু হাৎনরক্কনি। চীংসু পুনবা ঙমদ্রি, তমসু পুনবা ঙমদ্রি, চীং-তম কদায়দগী পুল্লদগে। কয়াদা শোল্লিবা ৱাখল লৌশিংনো, পঙবা-শিংবা পুনবা হৈবা-হৈতবদা খঙনরবা মতমনি। পুনবা য়ারোই হায়বশিং পঙলিবা ওইনা উখিগনি।

পুনবা-পুনবা হায়রগা উনশা শৌজিন্নগদৌবা নত্তে, পুনবা হৈত্রিবমখৈ কনা অমত্তা কনবা ঙমগদৌবা লৈত্রে। হিংগে হায়রবদি পুনবা হৈতবা য়ারোই, পুল্লবদি কনবিদ্রবসু য়ারনি। ●

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৭কী পাউখুম

১) ***''বিদায়! কংলৈপাক বিদায়!''*** হায়বসি মপান মণিপুরী অমনা ইবা লাইরিকনি। অইবসি কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো? ***:- অইবী- সোরোকখাইবম গম্ভিনী (ত্রিপুরা); লাইরিক মখল - শৈরেং (অহানবা ফোঙবা, ২০০৭)***

২) ***''গীতা-লৌশিংগী পুক্কে''*** হায়বা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেলদু কনানা ইবা করি লাইরিকনো? মণিপুরীদা কনানা ইথোকপনো? ***:- মহাত্মা গান্ধীনা ইবা ''গীতা-বোধ'' হায়বা লাইরিকনি। মণিপুরীদা টি দি ঙাঙোম্বনা ইথোকপনি (অহানবা ফোঙবা, ২০১৬)***

৩) ***''নীংতম্বগী মমল''*** হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো? ***:- অইবী - এম বরকন্যা; লাইরিক মখল - ৱারীমচা (অহানবা ফোঙবা, ২০০৭)।***

৪) ***''অরোইবা পাউদম''*** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো? ***:- হিজম গুণ সিংহ; নোভেলনি; অহানবা ফোঙবা, সেপ্টেম্বর ৩, ১৯৬৫ ইং কুম।***

৫) ***''উ-থম্বালগী শৈথারোল:- মরিং খুম্বীলোক মাইবা থরাইলোক্তা শাৎপা লৈ, শরী নামুং শোননা ৱাশক্লবনা লৈ, পামেন উজাও শকপা লৈ, লৈরাং কোলোয় মমিংদি উ-থম্বাল কৌইদো।''*** করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো? ***:- ''লৈতেং শৈথারোন''*** হায়বা লাইরিক্তগীনি, ***লা. ২৪। (শ্রী নিংঙোম্বম ইবোবী সিংহনা লেংবনি; অহানবা ফোঙবা, ফেব্রুৱারী, ১৯৬৩ ইং।)***

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।